হান্নগী জজ ৪ না চীফ জষ্টিশতা অফোংবা লেটর ইখ্রে, বি সী আইগী টিমনা জজশিং উনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

থবক্তগী পোত্থারবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অমা অমসুং হায় কোর্টকী জজ অহুম পূন্না জজ মরিনা কেসশিং শীন্নবগী মরম চাবা, ফজবা অমসুং মনুং-মপান নাইদবা প্রোসেস অমা ঙাক্কবা চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়াদা অইবা চেরোল থাদুনা তকশিনখ্রে। অসিগুম্বা প্রোসেস অমা ঙাক্লা চৎপদনা মরুওইবা অমসুং অরুবা কেসশিংদা অকক্কবা রিজল্ট অমা লাকহন্নবা পাৱর লান্না শীজিন্নবা লৈতে হায়না মীয়ামবু থাজহনবা ঙমগনি হায়না থবক্তগী পোত্থারবা জজ মরিগী চেরোল অদুনা হায়খি।

চীফ জষ্টিশনা অরুবা অমসুং মরুওইবা কেসশিংবু ইশাগী অনিংবা অপান্বগী মতুং ইন্না খনগৎপা জুনিয়র জজশিংদা শীন্নবগী থবক তৌরোইদবনি হায়না থবক্তগী পোত্থারবা জষ্টিশশিং পি বি সাৱান্ট, এ পি সাহ, কে চন্দ্রু অমসুং ঐচ সুরেশনা মখোয়গী অফোংবা লেটর অদুদা ইখি।

ইরাই নুমিৎকী প্রেস কনফরেন্স অমদা সুপ্রিম কোর্টকী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা জজ মরিনা চীফ জষ্টিশ দিপক মিশ্রানা কেসশিং য়েন্থোকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

জুদিসিয়ারি মনুংদা মচেৎ তানবগী ফীভম অমা লৈরল্লিবদুনা লৈবাক পুম্বা ঙকহনখি।

চীফ জষ্টিশকী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা সুপ্রিম কোর্টকী সিনিয়র জজশিং, জষ্টিশ জে চেলামেশ্বর, জষ্টিশ রঞ্জন গোগোই, জষ্টিশ এম বি লোকুর অমসুং জষ্টিশ কুরিয়ন জোসেফনা হায়খি মদুদি, অরুবা মহয় কয়া লাক্কদবা কেসশিংবু ট্রান্সপরেন্সি য়াওদনা শীন্ননিংবা জজশিংদা শীন্নে অমসুং অরুবা কেসশিংবু জুনিয়র জজশিংদা পায়হল্লি। চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়াগা উন্নদুনা মখোয়গী অপান্বশিং খঙহন্নবা পাঙথোকখিবা মীফমসু প্রোগ্রেস লৈখিদে হায়বসিসু মখোয়না মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে হায়নসু জজশিং অদুনা হায়খি।

সিনিয়র জজশিংদুগী ক্লেমশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা জুদিসিয়ারিগী ছোর্স খরনা হায়খি, অচান-মীরাই নাইবা অমসুং তৌনিংবা মওংদা খন্দোক-খঞ্জিন তৌখিবা লৈতে অমসুং জজশিংদা কেসশিং ফজবা মওংদা য়েন্থোকখি।

মখোয়গী ওপন লেটর অদুদা থবক্তগী পোত্থারবা জজশিং অদুনা কেসশিং শীন্নবগা মরী লৈননা ময়েক শেংবা রুলস অমসুং নোর্ম লৈত্রিফাওবা লোইশিনদ্রিবা কেসশিং য়াওনা অরুবা অমসুং মরু ওইবা কেস খুদিংমক তোপ কোর্ট অদুগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা জজ মঙাগী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমবু পায়হন্নবগী সজেসন পীখি।

চৈরকসিদা বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (বি সী আই)গী মেম্বর তরেৎকী দেলিগেসন অমনা চীফ জষ্টিশ দিপক মিশ্রাগী থৌওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা সুপ্রিম কোর্টকী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা জজ মরিগী মনুংদা অমা ওইরিবা জষ্টিশ জে চেলামেশ্বর অমসুং অতে অনীগা ঙসি উনখ্রে।

দেলিগেসন অদুনা জষ্টিশ চেলামেশ্বরবু ময়ূমদা উনখি অমসুং ইস্যু অদুগী মতাংদা মিনিট ৪৫ রোম চুপ্না ৱারী শানখি। অয়ূক খরা ঙল্লিঙৈদা দেলিগেসন অদুনা জষ্টিশ আর কে অগ্রাৱালগা উনখি অমসুং মদুগী তুংদা জষ্টিশ এ এম খনৱিলকলগা উনখি।

চীফ জষ্টিশকী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা নুমিৎ নীনি লৈরগা বি সী আই টিমনা জজশিং অদুবু উনখিবনি। তুংদা দেলিগেসন অদুনা জষ্টিশ অরুন মিশ্রাগা উনখি।

ক্রাইসিস অদুবু খ্বাইদগী থুবা মওংদা লোইশিনবা য়ানবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ অয়াম্বা নোংমাইজিং নুমিৎতা উনহন্নবা বি সী আইনা থাংজ নুমিৎতা দেলিগেসন অমা থানবা ৱারেপ লৌখি।

ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহু ইন্দিয়াদা থুংলরে

দিফেন্স, ইনর্জীগী লমশিংদা পেক্টশিং সাইন তৌনরগনি

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হান্নগী চৎনবী থুগায়রদুনা ঙসি মহাক্কী ইজরেলগী লেংমান্নবা বেঞ্জামিন নেটনয়াহুবু এয়রপোর্টতা ওকখ্রে। ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি নুমিৎ তরুক্নিগী খোঙচৎতা ন্যু দিল্লিদা থুংখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা নেটনয়াহুবু এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকখি। ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা মহাক্কী লোইনবী সরাসু লোয়নরক্লি। মোদিনা ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টরদা মহাক্কী খোঙচৎ অদু পুৱারীদা লৈহৌরগদবা অখন্নবা খোঙচৎ অমা ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখি। নেটনয়াহুনা মোদিবু 'ঐহাক্কী অফবা মরূপ' হায়না কৌখি অমসুং মখোয়না লৈবাক অনীগী মরীবু অনৌবা অৱাংবা থাক অমদা পুখৎলগনি হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্ক-দৌরিবা বাইলেটেরেল মীফমদা লুচিংবা অনীনা দিফেন্স, সিক্যুরিটি অমসুং ইন্নোভেসন লোয়ননা এগ্রিকলচর অমসুং ৱাটর টেক্নোলোজিদা কোওপরেসন পীনবগী মতাংদা খন্নগনি হায়না থাজনরি।

ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, নাকল অনীনা ওইল অমসুং গ্যাস, রিন্যুএবল ইনর্জী, এয়রপোর্টশিংগী এমেন্দেদ প্রোটো-কোল, সাইবর সিক্যুরিটি অমসুং ফিল্ম অমসুং দোক্যুমেন্টরি পূন্না পুথোকমিন্নবগী এরিয়াশিংদা য়ানৱা-রোল কয়ামরুম সাইন তৌনগনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনসু ইজরেলগী সারে জেদেক হোস্পিটালগা হোমিওপেথি অমসুং অয়ুরবেদাগা মরী লৈননা এগ্রীমেন্ট অমসু সাইন তৌনগনি। সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি মিনিষ্ট্রিনসু টেক্নিয়ন-ইজরেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগা পেক্ট অমসু সাইন তৌনগনি।

নেটনয়াহুনা ইজরেলি কম্পেনি ১০২ দগী বিজনেসমেন ১৩০গী হাই-প্রোফাইল দেলিগেসন লুচিংলি। ইজরেলি কম্পেনি ১০২ অদু এগ্রিকলচর, ৱাটর, সাইবর সিক্যুরিটি, হেল্থ ক্যের অমসুং সিক্যুরিটিগী লম্‌শিংগা মরী লৈনৈ।

ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টরনা থুংলবা মতুংদা লুচিংবা অনীনা সেন্ট্রেল দিল্লিদা লৈবা টীন মুর্তি চোকতা চৎমিন্নখি। আইকোনিক টীন মুর্তি চোকপু লৈবাক অনীগী মরূপ-মপাং ওইবগী মরীগী মরুওইবদু উৎলদুনা টীন মুর্তি-হাইফা চোক হায়না হৌনবী মতুংইন্না নৌনা মমিং থোনখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ঈং-চিকপা ফীভম পুরক্লবা আর্মিনা অনৌবা লাল্লোংশিং য়াৎকদবনি : আর্মি চীফ জেনরেল রাৱট

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা তুং কোইনা ঈং-চিকপা ফীভম পুরক্লবা মিলিটরি ওপরেসনশিংগা লোয়ননা পোলিটিকেল ইনিসিয়েটিব লৌখৎপগী তঙাইফদবসু লৈ হায়না আর্মি চীফ জেনরেল বিপিন রাৱটনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। জেনরেল রাৱটনা হন্দক্তা নন-ষ্টেট এক্টরশিংগী মায়কৈদগী নন-কনভেনসনেল খূৎলায়শিংগী থ্রেট লাকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখিবনি।

পি টি আইগী ইন্টর্ভিয়ু অমদা আর্মি চীফনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল লীদরশিপনা পাকিস্থানদা ক্রোর বোর্দর টেররিজম নমদুনা লেপহন্নবা অহেনবা প্রেসর পীগদবনি। অদুগা জে এন্দ কেদা তুং কোইনা ঈং-চিকপা ফীভম পুরক্লবা ষ্টেট অসিদা মিলিটরি ওপরেসনশিং চথবগী মথক্তা পোলিটিকেল ইনিসিয়েটিবসু লৌখৎকদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

পাকিষ্টানদা প্রেসর হেন্না পীবা য়াবগী লম্বী লৈ হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা জেনরেল রাৱটনা ষ্টেট অসিদা টেররিজম থেংননবগী অনৌবা লাল্লোং পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

আর্মিনা হৌজিক্কী ফীভম অসিদা সুম লৈশিনবা য়ারোই। জে এন্দ কেদা টেররিজম থেংননবা আর্মিনা অনৌবা লাল্লোংশিং য়াৎকদবনি হায়না আর্মি চীফ অসিনা হায়খি।

ইন্দিয়ন আর্মিনা কাশ্মীরদা ঈরাং থোকহল্লিবশিং অমসুং টেররিষ্টশিংদা মখা তানা প্রেসর পীখিগনি হায়নসু জেনরেল রাৱটনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ষ্টেট অদুদা ক্রোস বোর্দর টেররিজম লেপহন্নবা মিলিটরি কেম্পেন কনখৎতুনা পাকিস্থানদা প্রেসর পীবসু হেনগৎহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

চহী অমগী মমাঙদা মহাক্না আর্মি চীফ ওইনা থবক তৌবা হৌখিবদগী জে এন্দ কেগী ফীভম খরা ফগৎলকপদসু মহাক্না অপেনবা ফোঙদোকখি। হৌখিবা ওক্টোবরদা গভর্ণমেন্টনা হান্নগী ইন্টলিজেন্স ব্যুরো চীফ দিনেশ্বর শর্ম্মবু ষ্টেট অদুগী ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক্কা দাইলোগ কাইদনা চথহন্নবগী অখন্নবা মীহুৎ ওইনা খনখি।

অদুগুম্বা দাইলোগকীদমক্তা গভর্ণমেন্টনা ইন্টরলোক্যুটর অমা হাপখিবনি। মহাক কাশ্মীরগী মীয়ামগা হকথেংননা ঈ-পাউ ফাওনগদবা অমসুং মখোয়গী পেন্দ-বশিং অদুবু পোলিটিকেল লেভেলদা লৈখাই তাবা য়াগদ্রা হায়বদু য়েংথোকহন্নবা খনবা গভর্ণমেন্টগী মীহুৎনি হায়না আর্মি চীফনা হায়খি।

পাকিস্থানবু ষ্টেট অদুদা টেররিষ্টশিং থবক লেপহন্নবা প্রেসর হেন্না পীনবগী লম্বী লৈবরা হায়না হংবদা মহাক্না হায়খি, তশেংনমক লম্বী লৈ, ঐখোয়না মখা তানা ৱাখল তৌনা, লেপ্তুনা চঙশিনগদবনি। অসিগুম্বা এরিয়াশিংদা ওপরেট তৌবদা ঐখোয়না ঐখোয়গী দোক্ট্রিনশিং অমসুং আইদিয়া হোংগদবনি।

কাশ্মীর ইস্যু লৈখাই তাবদা খূদিংমক্তা মীৎয়েং থম্বা লম্বীদা চঙশিনবা চঙই হায়না জেনরেল রাৱটনা মখা তাখি।

মমাঙগী চহী হৌবদগী আর্মিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা অকনবা টেরর পোলিসি অমা চত্থরকখিবগা লোয়ননা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা পাকিস্থানি ট্রুপশিংনা সিজ ফায়র খোঙ্গাওনখিবা খূদিংগী লমন খুম্বগী মওংদা অকনবা ফোর্স শীজিন্নদুনা পাউখুম পীখি।

পাৱন হন্স হেলিকোপ্টর কায়বদা শিখিবা ৬কী হকচাং ফংলে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

ওইল এন্দ নেচরেল গ্যাস কোর্পোরেসন (ও এন জি সী)গী সিনিয়র ওফিসল মঙা অমসুং পাইলোট অনী তোংবা পাৱন হন্স হেলিকোপ্টর অমা পাইখৎখিবা মতুং মিনিট খরদমক কান্নরগা মুম্বাই কোষ্টকী মনাক্তা কায়খিবদা শিখিবশিংগী হকচাং তরুক ফংখ্রে।

হেলিকোপ্টর কায়বদা শিখিব-শিংগী হকচাং তরুক্তু পোষ্ট মোর্টেমগীদমক্তা কূপর হোস্পিটালদা পুখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

হকচাং তরুক্কী মনুংদা মঙা মশক খঙলে। ৱাৎলিবা মীওই অমগী হকচাং থিবগী থবক মখা চথরি হায়না পুলিসকী সিনিয়র ইন্সপেক্টর অমনা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ন নেভিগী সিপ মরি (টেগ, টাসারা, টি ১১ অমসুং টি ৪৫) না এরিয়া অদুদা থি-হুম্বগী থবক্তা শরুক য়ারি।

আই এন এস টেগতা চেটক হেলিকোপ্টর য়াওই অমসুং দাইভিং টিমশিংনা থি-হুম্বগী থবক্তুদা মতেং পাংখি। আই এন দোর্নিয়র এয়রক্রাফট অমা থি-হুম্বগী থবক লোইশিনখ্রে অমসুং শান্না পাইবা ঙম্বা পি ৮১ এয়রক্রাফট অমসু এম এ আর কিটশিংগা লোয়ননা থিবা-হুম্বগী থবক্তুদা শরুক য়াখি। এস এ আরগীদমক ইন্দিয়ন কোষ্ট কার্দ সিপশিং অমসুং এয়রক্রাফটসু দিপ্লোই তৌরি হায়রি। অখন্নবা হাইদ্রোলিক সিপ অমা ওইরিবা আই এন এস মকর করৱার থাদোক্লুনা থি-হুম্বগী থবক্তুদা মতেং পাংনবা চঙশিনখ্রে। তঙাইফরক্তবা মতমদা শীজিন্ননবা অহেনবা শিপশিং অমসুং এয়রক্রাফটসু মুম্বাইদা শেম শাদুনা থল্লি।

কায়খিবা পাৱন হন্স দাউফিন এন ২ হেলিকোপ্টর অদুদা পূন্না মীওই ৭ তোংখি অমসুং হৌজিক ফাওবদা পূন্না মীওই তরুক্কী হকচাংশিং ফংখ্রে।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দ (আই সী জি)না অশিবা হকচাং অনী ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ীগীনি হায়বা খঙলে। ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ী মঙা য়াওনা পূন্না মীওই ৭ হেলিকোপ্টর অদুদা তোংখিবনি।

ও এন জি সী, আই সী জি অমসুং ইন্দিয়ন নেভিনা হেলিকোপ্টরশিং অমসুং স্পীদবোটশিং শীজিন্নদুনা সর্চ ওপরেসনশিং পাঙথোকখি। অয়ূক পুং ১০.২০ তাবদা জুহুদগী পাইখৎখিবা হেলিকোপ্টর অদু ও এন জি সীগী নোর্থ ফিল্ড ওইল রিগতা অয়ূক পুং ১০.৫৮ তাবদা লেন্দিং তৌগদবনি হায়রি।

জজ লোয়া শিখিবগী মতাংদা ইমুংদা ওৎতনবা আপিল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

সী বি আইগী স্পেসল জজ ব্রিজগোপাল হরকিষন লোয়াগী মীশিগী মতাংদা চিংননিংঙাই ওইবা মরম অমত্তা লৈতে হায়রদুনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা ঙসি মীদিয়া, লোয়রশিং, এন জি ওশিং অমসুং অতৈদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মখোয়দা হরাস-মেন্ট পীদনবা আপিল তৌখ্রে।

প্রেস কনফরেন্স অমদা অনুজা লোয়া অমসুং অতে মরী-মতাশিংনা হংখি মদুদি, ইমুংদুগী ওইনদি জজ লোয়ানা হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বরদা লৈখিদবদু অৱাবগী মশক্কি অমসুং লন্নাই ওইবা ৱাফমনি। মহাক্না লৈখিদবদগী ইমুংদা অৱাবা কয়া পীরে। মহাক্কী মীশিগী মরমদা ঐখোয়না থিজিনহনবা পামদে। মহাক্না লৈখিদবদুদা চিংননিংঙাই ওইবা অমত্তা লৈখিদে হায়না ইমুংগী অতৈ মীওইগা লোয়নখিবা অনুজানা ফোঙদোকখি।

ইমুং অদুগী লোয়র অমীট নাইকনা হায়খি, ইস্যু অহুমদুগী মতাংদা ইমুং অদুদা অদুক্কী মতিক অকায়বা পীরে। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না মীদিয়াদা ইস্যু অদুবু পোলিটি-কেলগী মীৎয়েং লৈহন্দনবা তকশিনখি।

ইমুংগী মীওইশিংদা চিংনবা অমত্তা লৈত্রবসু জজ লোয়া লৈখিদবগী মতাংদা মীওই কয়ানা ইমুংগী মীওইশিংদা হরাসমেন্ট পীরি অমসুং মখোয়দা মীপাইবা পোকহল্লি হায়না মহাক্না হায়খি। ৱাফম অদুগী মতাংদা মখোয়বু তৎতনা হরাসমেন্ট পীবা তোক্ক বা লোয়রশিং অমসুং এন জি ওশিংদা খঙহন্নবা লৈখিদ্রবগী ইমুংনা মীদিয়াদা তকশিনখি। সুপ্রিম কোর্টকী তোপ জজশিংগী মনুংদগী য়ামদ্রবদা মরিনা চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়াগী তাংদাংবা থৌওং খরগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংখিবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা লোয়া ফেমিলিনা মীদিয়াদা ৱা ঙাঙখিবনি।

[illegible]

THE
LITTLE MASTER ENGLISH HIGHER SECONDARY SCHOOL
SHAMUROU
(Recognised by Govt. of Manipur)

ADMISSION OPEN
FOR 2018-19 SESSION
(NURSERY TO CLASS X)

Boarding fee, 2018
(includes shool fee)

Class	Girls	Boys
Nursery	2200	2300
Kg.-I	2300	2400
II,III,IV	2400	2500
V,VI	2500	2600
VII,VIII	2600	2700
IX,X	2800	2900

Features:-

- State-of- the-art Infrastructure, well equipped science and computer lab.
- 120+ highly dedicated, motivated and qualified faculty
- (Ist Class, Gold Medalists & Ph.D. holders)
- Scholarship and Prizes upto Rs. 1 lakh for Meritorious students
- Games & Sports and Thang -Ta as a part of School Curriculum .
- Hands on computer from class II onwards
- Spoken English and personality dev. classes
- yoga and music clasess to be introduced.
- Separate Boarding for both boys and girls.
- Special day care facility for kids in homely environment.
- **Lowest Admission, Tuition and Boarding fee in Manipur.**
- **No school tuition fee for 3rd students of same parent.**
- **No tuition fee for school boarders.**

FEE STRUCTURE, 2018

Sl.	Class	Adm. Fee	T/Fee
1	Nursery	1000	300
2	K.G	1200	350
3.	I	1500	400
4.	II	1600	400
5.	III	1700	400
6.	IV	1800	400
7.	V	1900	500
8.	VI	2000	500
9.	VII	2100	550
10.	VIII	2200	550
11.	IX	2300	650
12.	X	2400	650

FREE SCHOOL BAG FOR CLASS NURSERY & KG.

We are proud of our Luminaries.

40 + Position holders in both HSLCE & HSC
70 + Selection in Medical and Engineering Exams so far
200 + officers in Various state and Central Govt. Departments.

Some of our Achievers

1. Naorem Tejkumar (OSD, Law , MPSC 2017)
2. A. Robertson (Asstt. Proff. MPSC 2017)
3. M. Medhapati (Asstt. Proff. MPSC 2017)
4. Suraj Huidrom (Asstt. Proff. MPSC 2017)
5. Kh.Anandkumar (Asstt. Proff. MPSC 2017)
6. Wangjam Phajabi (Asstt. Proff. MPSC 2017)
7. YM. Sabir (Indian Foreign Service, IFS)
8. Dr. Abujam Indrajit Singh, (Super specialist, AIIMS)
9. Dr. Firoz Khan (Super specialist, Cardiac Surgeon)
10. Hidam Kumarjit Singh, Asstt. Proff. G.U.
11. M. Indrakumar (Deputy Comdtt. CRPF)
12. M. Okendrajit (Asstt. Comdtt. CISF)
13. Thangjam Sanatomba (MPS-2014)
14. Moirangmayum Bishworjit (MPS-2014)
15. Md. Firoz Khan (MCS-2014)
16. Abujam Romen Singh (MCS-2014)
17. Md. Hefajuddin (MCS)
18. Sorokhaibam Imosana (MCS)
19. Oinam Sandhyarani (Asst. Comdtt. CRPF)
20. Oinam Nganthoi (Captain, Indian Army)
21. Shougrakpam Prakasah (Manager, Bank of India)
22. Baghatchand (Branch Manager, C.B.I.)
23. Oinam Khogen Singh (Manager, Bank of India)
24. Mutum Romapati (Captain Indian Army)
25. Dr. Loitongbam Usharani (M.O.)
26. Dr. Laishram Ayingbi, PGI (M.O)
27. Dr. Yanglem Elizabeth (M.O)
28. Dr. O. Chingkheileima (M.O)
29. Dr. Yumnam Bidyaluxmi (M.O)
30. Dr. Longjam Anil (M.O)
31. Dr. Leishangthem Reena (M.O)
32. Dr. Moirangmayum Sadananda (M.O)
33. Dr. Shapam Anuradha (M.O)
34. Dr. Laishram Nungshitombi (M.O)
35. Dr. Tekcham Tampha (M.O)
36. Dr. Moirangmayum Omilakumari (M.O)
37. Dr. Malemnganba Laishram (M.O)
38. Dr. Thingujam Surbala (M.O)
39. Dr. Sanarose (M.O)
40. Dr. Ym. Amir (M.O)
41. Dr. Laishram Kamala Devi (M.O)
42. Dr. Abella Moirangmayum (M.O.State Employer Hospital, Delhi)
43. Dr. Longjam Chittaranjan Singh (PG.RIMS)
44. Dr. Laishram Chittaranjan Singh (RIMS)
45. Dr. Laishram Subashini Devi (Deen Dayal Delhi
46. Dr. Naorem Sunita Devi(NGRIMS)
47. Dr. Heisnam Lily Devi (M.O.)
48. Dr. Ph. Nandakumar Singh (M.O.)
49. Dr. Md. Burhanuddin (Asstt. Proff.)
50. Dr. Jubeda (Asstt. Proff.)
51. And many more..........

	HSLC Examination Topper 2017	Topper 2016
	I. Nikie Yumnam .	I. Longjam Amarjit Meitei.
Mark obtained	504	506
Letter Marks	(English,Maths,Sc.,Computer.)	(MIL,Maths,Sc.,S/Sc, Com.)

Write to us at :- Okendrajit83@gmail. com
✆ 8974370494 or 9774378518

HL-P/3077/28Dec-15Jan. (Alt).

[illegible]/MARKSHEET&CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Marksheet & Certificate of HSLC Examination, bearing Roll No. 34006 of 2014 issued by BOSEM, on the way from Wangkhei to Bazar on 03/01/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Loitongbam Joyshree Devi
Wangkhei Tokpam Leikai

HL-P/379/15

[illegible]/ DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate, Marksheet and Admit Card of HSLC Examination, bearing Roll No. 32247 of 2013 and Registration No. 1101773184 issued by BOSEM, on the way from Nambol to Paona Bazar on 10/08/2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Keisham Tompok Singh**
Langpok Maning Leikai
☎ **9612059745**

HL-P/378/15

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/থোঙাম শাগৈগী পাউজেল

লাক্লিবা জন্যুৱারিগী তাং ২০/০১/২০১৮ ইং, ফাইরেনগী ৩ (হুমনি) পানবা থাংজ নুমিৎতা থোঙাম শাগৈগী থৌবাল খেকমনদা লৈবা অপোকপগী হান্নগী শঙলেন অসিগী মহুত্তা অনৌবা শঙলেন অমা শানবগী শংগুম্বগী থৌরম অমা পাঙথোকচগদৌরি। হায়রিবা থৌরম অসিদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীনিংবা অমদি শাগৈগী ইপা-ইপুগী অশেংবা শক্তম উবীনিংবা শাগৈচা খুদিংমক্না নুমিৎ অসিগী থৌরমশিং অসিদা তঙাইফদনা শরুক য়াবিনবা পাউজেঞ্জরি। লোয়ননা অপুনবা মীফম অমসু লাক্লিবা তাং ১৭/০১/২০১৮ ইং, য়ুমশকৈশা থাশি নুমিত্তা পাঙথোকচগদবা অসিদসু শরুক য়াবীয়ু হায়জরি।

পাউজেঞ্জরিবাঃ ***থোঙাম চন্দ্র সিংহ***
সেক্রেটরি, থোঙাম শাগৈগী অপোকপা কম্মিটি
খেকমন ময়াই লৈকাই।

HL-P/381/15&16

ꯊꯕꯛ/ EMPLOYMENT NEWS/থবক্কী পাউ

চহী ১৮দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা থবক থিরিবা **Unemployed** ওইবা কেন্দিদেট **(Male/Female)** শিংদগী অহাংবা ওফিসিয়েল পোষ্ট ৫৭কীদমক থবক কৌজরি। থবক অসিদা চঙবগী **Qualification** না **Class X, XII** অমসুং **Graduate** পাস তৌরবা মীওই ওইগদবনি। মসিদা মাগী **income** না **10,000/- to 35,000/-** ফাওবগী মনুংদা লৈগনি । **Deposit** লৌজরোই, **Selection** ওইরবা মীওইশিংগী লৈফম চাফমগী খুদোংচাবসু পীজরি। **Limited Post** নি, অথুবা মতমদা ইশাগী **Bio-data** পুরগা ওফিসতা তান্নবীয়ু।

Visiting Hr. : 12am to 3 pm

Contact :* ☎ *9774986962
8014170652

HL-P/3079/9,11&15

[illegible]/ ইশ্লোল অমা য়োঞ্জরি

Singjamei Thongam Leikai দা লৈবা 70 Ft. শাংবা 22 Ft. পাকপা, য়ুম য়াওবা ইশ্লোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বর অসিদা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি।

☎ **9774495314 / 9862718168**

HL-P/368/13&14

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি

অনৌবা চহীগী দশা, মহে-মশিং, অৱাংবা একজাম, সিভিল সর্ভিস, নীট থাগদবা, মীরমদা চৎপা, থবক-করবার, শেল লাক্কবা, য়ুম্বাল ফননবা, অঙাং য়াওননবা, হায়ন-তানবা য়াননবা, চিঞাক ফননবা মতম লৈরিঙৈ য়েংথোকপীয়ু। চহী ৩৫ হেন্না মীয়ামগী সেবা তৌজরক্লবা, মপাল্লমগী মমীং লৈরবা ওঝা-গুরু কয়াগী পাউতাক ফংলবা, নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা কয়াসু ফংজরবা, কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি।

মীয়ামগীঃ- জ্যোতিষ মহাঋষি
Dr. Ph. Rajendra
Nongmeibung, Near Community Hall
Academy Road, Imphal

HL-P/377/14/1-13/2

In the High Court of Manipur
at Imphal

W.P.(C) No. 991 of 2017

In the matter of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India praying inter-alia for issuance of the writ in the nature of "Certiorari" or an appropriate writ, order or a direction as to this Hon'ble High Court may deem fit and proper to quash the recommendations as per notification dated 6/11/2017, 13/12/2017 and other related orders in consequence of the Order dated 28/03/2017 passed by this Hon'ble Court in Writ Petitioner (C) 1020 of 2015 in as far the department of Education is concerned; to direct the respondent authorities to call the petitioner for viva interview for the post of Assistant Professor so as to enable him to be properly assessed as per law.

Nongthombam Bineshkumar Singh, aged about 42 years, S/o Nongthombam Priyokumar Singh, Wangjing Bazar, P.O. Wangjing, P.O. Thoubal, Thoubal District, Thoubal- 795148, Manipur.

...PETITIONER

-Versus-

The State of Manipur represented by the Commissioner/ Secretary (Higher & Technical Education), Government of Manipur, Imphal, Manipur & 25 Ors. *...RESPONDENTS*

To

1	Ching Lian Mawi	Respondent No. 12
2	Konsam Romita Devi	Respondent No. 13
3	Grace Kim Khaute	Respondent No. 14
4	Rindharwon A. Khamrang	Respondent No. 15
5	Dr. Naorem Jibolata Devi	Respondent No. 16
6	Thiang Biak Saang	Respondent No. 17
7	Soibam Birajit Singh	Respondent No. 18
8	Dr. Laiphrakpam Nirmala Devi	Respondent No. 19
9	Chinneihoi Haokip	Respondent No. 20
10	Tinkholhing Guite	Respondent No. 21
11	Ngangbam Rupa Devi	Respondent No. 22
12	Konsam Purnachandra Singh	Respondent No. 23
13	Khutheibam Seema	Respondent No. 24
14	N. Rose Gonmei	Respondent No. 25
15	Thenkhogin Haokip	Respondent No. 26

NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C

(SUBSTITUTED SERVICE)

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 22. 12.2017 passed in WP(C) No. 991 of 2017 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 12 to 26 by way of "Substituted Service" through publication in 2 (two) local dailies, one in English and one in local varnacular for two consecutive days returnable within 05.02.2018.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. within 05.02.2018.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 12th day of January, 2018.

By Order,
M.C. Nandi
Assistant Registrar-I
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

By:-
Mr. Boboy Potsangbam
Advocate

HL-P/4929/14,15